Sunday, February 16, 2020, Imphal

HUEIYEN LANPAO

"সংসার সমুদ্র অসিগী করম্বা মফমদা কয়াম লুবগে হায়বদু কল্পনাগী থৌরি লীতোন্দা অনুভূতিগী নুংদুম পুল্লগা থাদদুনা ওম্মে।"
- হিজম অঙাংহল (থম্বাল)

## লৈরাংথেম

### লুবাক্কী ঙা

—এম নিলকুমারী

পোকপা চাউবা শিবা নাইবা মীওইপোকনি
শিজনীংদে, শিজনীংদে।
মরা মরু চাউরবা উপাল অমত্তং থাজনীংলি
লৈকংথোং য়েংনীংলি
উপাক থোং য়েংনীংলি
অরুবা য়াওদ্রবা অনৈবা তুরেলগী
ঈচেল য়েংনীংলি।
পুলিস কম্মান্দোগী
ফিরাং শেৎপা লান্মীগী শকওং শাদা য়েংনীংলি,
লুবাক্কী ঙানা লৈকংদা ফ্রং-ফ্রং চোঙবা
কোমলানা শেমনা লৈমায়দা
থরো থরো ওনবা
অকংবা লুবাক্কী অকংবা ঙাদা লিচৈনা শেৎ-শেৎ
হঙ্গাম কোবীনা ফদ্রৎ ফদ্রৎ
মরক্তা ফদিগোম মপুন মপুন অমোৎপা নালাদা
য়েংনীংলি য়েংনীংলি
হুইসেন খোংবা কয়াগী
চোকথবা নাইদনা লাউ-খোংলিবা
শক্তাক্লিবরা ইমা কৈথেল
য়েংনীংলি য়েংনীংলি মতম শাংনা
কদায় ফাওবা শাংগদৌরিবা?

### মঙালদুদা

—তৈয়ীব খান, লন্দন

ঙরাং অহিংগী অমম্বনা,
ঙসিগী করম্বা মঙালদা পুরিবা?
ঙসি অয়ূক্কী কোরৌ মঙালসিদা,
হয়েংগী করম্বা পনথুংদা পুরিবা?
খল্লুদে নোংমতসু ৱাখলসিনা,
অহিং-নুংথিল অনীগী খেন্নবা।
মদুননি পুন্সিবু ৱাহনবীরিবা,
অৱাবতনা থল্লবা পুন্সিদা।
নোকপা-কপ্পা অনীসে মরুপনি,
নোংমতসু থানখিদ্রবা হিংলকপদা।
ঐনা চৎলি অমম্বা লম্বীদা,
নঙনা য়েংলি অঙনবদুদৈ নিংঙাইদনা।
ঐগী হায়ববু নঙতনি,
থাদোকপা য়াদ্রবা ঐগী পুন্সিসিনা।
নঙগী মীৎকুপ্পী অমগী মীৎয়েংদুনি,
মীৎ-কুপ্পনা ঐনা ঙাইদুনা লৈরিবা।
মীকুপতুনি ঐগী পুন্সি,
মীকুপ্পুনি থম্মোয়গী আশা।
মদুনা পুন্সিগী অপেনবনি,
মদুনা হিংবগী মঙালনি।
তাইবঙগী মায়াদা পুন্সিগী মঙাল;
অনীগী মরক্তা ঐগী আশানি তান্নবা!

### নীংশিংহল্লি লমতা থা নঙনা

—টি মেনেকা জোনুনমাৱি, মিজোরাম

নকশিল্লকপসিদা লমতা থানা
নীংশিংহল্লি নৌহৌননা
লমলানবীদো তামখ্রবিদো
নঙনা হরাওনা চোঙখিবা থাবলদো
ঐগীদি চহী ২০গী মতুংদা
অনীরকখক উজবা ফংজখিবনি
"নঙনা তথক্লা...
পাখৎপা মীৎয়েংনা
কোয়েং য়েংদুনা থিবিদো ঐবু..."
নোকচখি... লোন্না ঐগী থম্মোয়সিনা।
অদুবু অমুক হল্লক্লরোই
নীংশিংবদা ঙাইহৌরনি...পুন্সিসিমগী
ঐ নঙবু নুংশি,
নুংশিরি... নুংশিখিনি..."

### শক্লোন পুবী

—টি ইরিন লালরিনলুই, মিজোরাম

ঈশিংগী শকলোন
আলুগী মথেল
নঙগী পুকচেল, অঙকপনি
থাজরুবনা মাঙজহৌরবা
নুংশিরুবনা কপহৌরবা
খঞ্জরুবনা মৈচাক
মীমান্নখিদবনা নিঙমহৌদ্রবা
কখোক্লুবনা কায়হৌরবা থম্মোয়
নীংশিংলুবনা পোৎলুম
ময়েং তারোই খনলম্বনা... লৈকংলা
মচু লৈতবা ঈশিংনা
অঙাংবা, অশংবা, অমুবা
শক্লোন কয়া পুরল্লবসিদা
তূমদনা মঙলাক্লহৌরে ঐদি ???

### অহিংসিনা লোইখ্রবদা

—সোরোজিনি লিসম

ঐগী থৱায়না ৱারৌবা লেপখ্রবা
খঙবীয়ু ঐ মালেমদা লৈত্রবনি
অহিংসিনা লোইখ্রবদা
খঙবীয়ু ঐগী থৱায়না নোংঙানবা ঙাইদ্রবনি
পুদুনা হল্লগে নীংশিংবা পূম্বা
ঐগী মল্লবা কাদুদা
ঙাইরুরগে ইতোমতা তুমিন
অহিংসিনা লোইখিবা
মফম মতম চাদবী পিরাং
করিগীনো ঐবু কপ্পু থেন্মীবা
ৱারে ঐ পিরাংগী ঈচেলসিদা
লুপহনবীরো ঐবু নঙগী ঈপাক্তা
ঐ য়েংনীংদ্রে তাইবঙগী ফজবা

### ৱাকৎ

—লাইশ্রম শ্যামো

চাক্লৌবা নুংঙাইনা পাঙথোকখ্রে
নিংঙোল লোইনা পেন্নখ্রে।
অপাম্বা পূম্বা পীবিখ্রে
চানীংবা পূম্বা পীজখ্রে।
য়েনগী খোঙচৎ চৎখ্রে
ঙানুগী ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

পেন্দবা কয়া ফোঙদোক্লখ্রে
মখোয়বু কনবীয়ু হায়খ্রে।
পেন্দ্রবা য়েনবা লাবনা হায়খ্রে
মখোয়বু ককপগুম ককসনু হায়খ্রে
মখোয়না খোংদুনা হৌদোক্লোই হায়খ্রে।
পেন্দ্রবী ঙানু হাতম্না হায়খ্রে
মখোয়না ঈশিংদা তাওবগুম তাওশনু হায়খ্রে
মখোয়বু ঙকশমদা মেৎপগুম মেৎশনু হায়খ্রে
মখোয়না লাওনা কপ্পগুম কপসনু হায়খ্রে।

### ইমা নঙতনি

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ঙরাংসু কপখি
ঙসিসু কপখি
ইপাগীদমক
নীংশিং নীংশিংদুনা
লাক্কদবা হৌখ্রবা
কয়াদুবু নীংশিংদুনা
কপলি হন্না হন্না।
পুন্সিগী অহানবা শৈহৌ
কয়া কয়াদা
খূৎ পায়দুনা ঐবু
লমজিংবীখি
ইমা নঙতনি
নঙতা।
ঐবু নুংশিনা
পাম্মুনা করিদা কদায়দা
শোয়খিগনি,
নীংশিংলুবদা কপলি ইমা
ঙসিসু নীংশিংদুনা
হন্না হন্না
হৌজিকসু কপলি।

### 'ও! লমতা থা থানুংশি'

—আর কে ইবুংঙোসনা

নঙগী মায়থোঙ নঙগী থম্মোয় তরুতরুবা মমীনি
নহাক্কী ফিজেৎ নহাক্কী পূক্নিংগী ইহুলনি
নঙগী ৱাঙাঙ নঙগী মশক তাক্লি
নঙগী নতৌনা নগুন উৎলি
নঙগী লমচৎ নঙগী হৌরকফম তাক্লি
ও! লমতা থানা লাকপসিদা
নঙগী থম্মোয়বু নীংশিংলক-ই
উপাল-ৱাপালগী ফজবা নহাক্তি উদ্রে
ঐতনা ইতোমতা য়েংজরে
পাম্মুইদা মতমদো চোংজনীং-ই,
শাজনীং-ই থাবলগী জগোয়
লমতা থাদি থোঙজিন্দা লৈররে নঙ ঐ
উরাওবী অমাংখোই শান্নমিন্নখিবা
অমুকসু খৎনৈ অমুকসু চানৈ
লাইরিক পুরক্লগা পামিন্নখি ঐখোয় য়ূমদা
লাইগী লাইমাংদা থেংলবা অহিংদুদা
জগোয়সু চোঙমিন্নে
ৱারবা হকচাং পোপ তাবমখৈ তূমখিবনা
অয়ূক থেংনা হৌখি
নহাক্লা য়াহৌ থেং লক্লখি ঐবু
ও! নুংশিদা মতমদো অমুক য়ৌরক্লে।

### নঙ য়াওদ্রসু

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

ঐ অদুম হিংলম্মী
নঙগা থেংনদ্রিঙৈদসু।
ঐ অদুম হিংলি ঙসিসু
নঙ য়াওদ্রসু।
হিংখিনি ঐ অদুম
নঙ য়াওরবসু য়াওদ্রবসু।
নঙনা ইনাক্তা লৈবা লৈতবা
চপ মান্নে ঐঙোন্দদি।
কপ্পরোই অমুক হন্না নঙগীদমক।
কংখ্রে ঐগী পিরাংগী ইফুৎসু
মমি শামখ্রে নঙগী শক্তমসু।

### নুংশিবী

—কান্তা মৈরালাকপম

নুংশিবী নঙনা
নোংমতা ইনাক্তা লাকখিদ্রে
ঐগী নুংশিববু
নাথৈরগে খল্লৱা?
নঙবু নুংশিবগী মৈরিদি
নোংমা নোংমগী চাক্লি
কাউবা ঙমদে নঙবু
নীংশিংবনা নীংশিংহল্লি।
ৱাদবা ঙমদে নঙগীদমক
ঐগী পুন্সিনা
নোংমতা লাক্তুনা
অৱা নুংঙাই হংলু লাও
ঐগী ইনাক্তা।
নঙবু লাক্কদ্রা
ঙাইবদা কয়াদা ৱারিবা
নুমিৎ খুদিংগী।

### ওল পাস এভ্রিথিং পাস

—রাজেন্দ্র সারুংবা

য়াবা তাবনি ঐ
ইচানা তৌবা খুদিংমক।
মপান্দা লাইরিক তম্লুরবা
চীং পাৎ তুরেল খোং কয়া।
লান্দুনা চৎলুরবা ইচানি
থোক্লক্লবনি নিংথৌ ট্রেনিং লোইদুনা।
ফৈ ফত্তে হায়ররোই
পূম্নমক খঙসনা ইচানি।
মপানা হায়বা মমানা হায়বা
লৈকায়না হায়বা মরুপ-মপাংনা হায়বা
লৌবিবজাৎ নত্তে তাবিবজাৎ নত্তে।
মানা তৌবনা মানা হায়বনা মফরে
খঞ্জরিবা ইচানি কৈদৌনি
পূম্নমক খঙসনা ইচানি
পৈশা কয়া তুমহনখ্রবা ইচানি
কদোমদা থোকঅগদবনোদি খঙদে
ওল পাস এভ্রিথিং পাসনি।

# লোইবী চীংগুম লেঙদনা

## (মতমগী মায়োক্তা পুন্সি হিনাউ হোনগে তেমশিংলিবা কবি নহা অমা)



| | | |
|---|---|---|
| লাইরিক | : | লোইবী চীংগুম লেঙদনা |
| মখল | : | শৈরেং |
| অইবা | : | ইমোজীৎ নিংঙোম্বম |
| অফোঙবা | : | রাইটর্স ফোরম, ইম্ফাল |
| ফোঙবা | : | ২০১৯ |
| মমল | : | ২৫০/- |
| পাউদম্নিবা | : | সলাম তোম্বা |

নোংচুপকী ৱাংউলোন্দা মোদর্ন ফিলোসোফিগী মপানি হায়নরিবা ফ্রান্স মচা, রেনে ডেকার্টস (১৫৯৬-১৬৫০) না হায়, "We shall never become philosophers even though we should read all the reasonings of plato and Aristotle if we cannot form a sound judgment upon any proposition." মানা হায়রিসি ঈশাগী ৱাখল, পূক্নিং, ৱারেপ অমা তশেং-তশেং লৌবা ঙমদ্রবদি ফনা অমা পারুরসু, তারুরসু অদুম ৱাখল তাররোই হায়রিবনি। অদুনা মাদি মীনা হায়বা য়াদে, মানা খনখিগে হায়, মাদি ৱাখলনা শাবা য়াদে, তশেংবা মশক অমা লেপকদবনি হায়, অদুনা মাদি ফিলোসোফিদা অঙ্ক পুশিল্লকই, অঙ্কমুক চুম্নবা হোৎনরম্বা মীশকনি, ৱাংউলোন্দা। অদুনা মাবু মোদর্ন ফিলোসোফিগী মপা কৌনরিবনি। মানা খনবা হৌরকপদা পূম্নমক চিংনদুনা য়েংঙি, লাই-তাইবঙ, পুন্সি, মহৌশা লোইনা চিংনৈ। অমতা লৈতে হায়না লৌই। অদুবু মমৈদা মথবাক্তা পায়রুবদা 'ঐ' কৌবা অমদি ফল্লিনা হায়না খল্লকই, ৱাখল খল্লিবা মাদংদি তশেংনা লৈরে, অশেংবনি হায়রকই, অদুনা মচিন্দগী থোকখি, - "Cogito Ergo Sum." (I think, therefore, I am, ঐ খল্লি, অদুনা ঐ লৈরি) অদুদগী মথং মথং খন্থরক্তুনা মানা শাগৎলকখি, ফিলোসোফিগী চাউবা থিওরি অমা Rationalism কৌবা। ঙসিফাওবা চল্লি। মানা লৈরবনিনা, মানা ফল্লিবা চৌক্রি অচুম্বা ওইরকই, মানা লৈরিবা য়ূম, ইখ্তোল অচুম্বা ওইরকখি, মহৌশাসু অচুম্বা ওইরকখি। অদুদগী লুরবা ৱাহং 'লাই লৈব্রা' হায়বসি খুন্নবা হোৎনরকখি। ঙমসু ঙমখি - মাগী থিওরি ইচম চম্মী। মানা হায়, "ঐ" হায়বসিদা 'লাই' গী ৱাখল অমা য়াওদুনা লৈরল্লিবসি কনানা হাপচিল্লম্বনো? মরম লৈফম থোকই - "Nothing can come from Nothing" ৱাখল লৈরল্লবনিনা মরম (কোজ) অমা লৈফম থোকই, অদুগা কোজনা ইফেক্টতগী চাউফম থোকই। অদুনা ঐখোয়দগী হেন্না চাউবা কোজ অমা লৈফম থোকই। মদু লাই কৌগেরা কৌনীংবা অমা কৌরো।

ঐনা ৱাংউলোন মতেক অমতং পঞ্জরুরিবসি ঙসি ইমোজিৎ থেংনরুরে। ঐখোয়গী মরিশুবা মীরোলগী কবি নহাশিংগী মরক্তা মাসু মশীং চল্লিবনি। ১৯৮০গী মতুংগী ঈচাউদা য়াওরকপা কবিনি, রঘু, শরৎচান্দ, বীরেন্দ্রজিৎ কবিশিংসিগী মতুং ইঞ্জরকলিবা মৈনা ৱায়, তাংনা শম, লীক্লম তৎতনবা হোৎনজরিবা কবি নহাশিংগী মরক্তা মাসু খূৎ থেকপদা য়াওজরিবা অইবনি। ঐখোয়না য়েংলি মখোয় খরা - নেত্রজিৎ, ইমোজিৎ, লেনিন, পর্শুরাম, কেনেবো, ৱাংথোই, অমরজিৎনচিংবা নুপাদা, নুপীদনা সরিতা, য়ান্দিবালা, প্রেমা, মেমে, বেবেমনচিংবা নুপী মচা ময়াম অমগা। মখোয় ময়ামসিদনি শিন্নরমদৌরিবা ঐখোয়গী ইমাসি বিনোদিনিনা হায়রম্বা, কনাদা শিন্নরমনি ফিরাল হায়বদু। লোইনা মৈ হৌরিবা কবি নহাশিংনি, মখোয়বু মশক খঙবীবা চঙলি, ক্রটিক লাকখিনি।

অদুবু ঙসি ইমোজিৎকী শৈরেং লাইরিকসিমা পারুবদা থমোয়সে তশেং তশেংই। লূম-লূম লাউবা ৱাখল, হম-হম লাউবা ৱাহৈ, খুম্বদা ৱারবা ৱাহং কয়া, মীনা চৎনদ্রিবা লম্বীদা তান্না কৌবগুম তৌরি মানা, সিসু পুন্সিনি, সিসু অদুনি, সিসু অদানি। ঐনা খল্লি, ইমোজিৎপু নহালমখৈ ঐ মশক খঙলুদ্রেদনা, মাদি ঈকাদা য়াওরকপা ঈনৌগী লেপ্লে নৎলমদ্রেদনা, মাদি রোম মৈ চাক্লিঙৈদা তৌদ্রি খোংদুনা লৈরম্বা নেরোগুম্বা অমনিদনা, মাদি পুন্সিবু মনুংদা সুম চঙশিনখিদুনা মশাগী মহুম অমা পাজরবা কবি নহানিদনা, মাদি রোমেন্টিক কবি মরক্তা মেটাফিজিকেল পোইট ওন্নিং ওন্নিং তৌরল্লেদনা, মোদর্ন পোইত্রি ইনা ইনা T. S. Eliot কুম মমৈদা ওঁম শান্তি, ওঁম শান্তি লাউরিবা কবি অসিনা সুম খল্লকই।

মহাকসু রেনে ডেকার্টসকুম হায়রি, 'ঐ' হায়বা অমদি লৈরি। 'ঐ' হায়বসি খল্লুবদগী 'ঐ' ময়াম উরক্লি, মাগী অকোয়বা য়েংলক্লি, মফম, মতম, পুন্সি, নুমিৎ, থা, থৱানমিচাক অমতা চিংথদনা মহাক য়েংলক্লি। ফিলোসোফর অসিগা মাগা খেন্নরিবা হায়ববু মাদি রেনে ডেকার্টসকুম অঙ্ক পুশিন্দে, কল্পনা পুশিল্লি, অদুগা খন্নিংবা মওংদা খন্দুনা শান্নে, অদুগা মতোমতা পেঞ্জে, নোকচৈ, কপচৈ। মসিদি অফবা খুদমনি। মানা হায়, - "ঐসু অহিংগা পাংখক্লি/তাইবঙ কনানসু খঙদবা ৱারী ইরিবা/অহীংগা ঐগা কোন্নদুনা কপমিন্নে/খঙবিবগে কনানা?" (অহীংগী শৈরেং, লা: ৭৯) অমুকসু হায়, মশাগী মপোক খঙনা লৈরাং ওন্দুনা - "তাইবঙনা মসিমতং খঙবিয়ু/ঐ লৈরাংনি/লৈশাৎ তম্নবা লাক্লিবা।" (লৈরাং অমগী মঙলান, লা: ৬৯) অদুনা মানা হায়, পুন্সি হায়বসি অথাপ্পদা উবা তাইবঙ অমা নত্তে, মঙলানগা শাগোন্নদুনা চৎলিবা খোঙচৎ অমনি। অদুনবু থৱায়না নুংঙাইবা ঙল্লিবনি, পিরাংনা নীক নীক লাউরবসু। মাগী ৱাহৈদা - "খঙলে, অথেঙবা অহীং অমা/মীকপ মীরাওখোলসু তাগনি/নুংশিবা ঈশৈগা ঈরোয়ননা/ইশম শম্নে/মমিগা শক্তমগা/লৈরাংগা খোইমুগা/চীংদোনগা লৈচিলগা।" (ঐ নুংঙাইবা ঙল্লিনা, লা: ১০০) অচুম্বা মিৎয়েংনি হায়দবা ঙমদে। পুন্সিবু মশক খঙবা হৌবনি। কবি নহা অসিনা অমুক্কসু নুংদা চঙশিন্না য়েংলি, পুন্সিবু, মতম্বু। অদুগা মরোল লোল্লকই "পুন্সি হায়বসি মৈঙাল নত্তে/থাপ্পলগা মমি শামখিবা/নত্তে নোংথাঙসু/খংঙাল ঙাল্লম্লগা মুৎখিদৌবা।" (ৱাহন্থোক, লা: ৫২) অমুকসু হায়রি : হে পুন্সি! হে মতম!/খাইদোক খাইজিন/লৌথোক লৌশিন/পূম্নমকসি লেপ্তুনা য়েংলুবদা খল্লকখি/মসিসু মহৌশানি/মহৌশাদা য়াওজবা মহৌশা।" (মায়থীবগী নুংঙাইবা, লা: ৯৩) মসিদা লাল্লি হায়দৌবা কনানো। মহৌশাদা য়াওজবা মহৌশা ঙাক্তনি। অদুনা কবিনা হায়, অমা ওইরসু, অমা ওইরসু মাদি পেন্থোক্কনি। মাগী ৱাহৈদা- "পুন্সি!/ওইনীংবা ওইয়ু/ঐদি অদুম পেন্থোক্কনি/নঙগী ময়াইদা/নঙগী শক্তিদা (বিন্দু, লা: ৮৮) পরেংশিংসিদা য়াওরি পুন্সিবু কোনশিঞ্জবা মতৌ, অদুনা ওইরক্লি ইমোজিৎ পোজিটিবিষ্ট অমা, আশা পুবা কবি অমা তুংগী মীরোলগীদমক। ইংরাজি কবিদা হায়রগা রোবার্ট ব্রাউন্নিংগুম্বনি। কায়নদৌরবা মাগী চান্নবীবু অমুক্তং শগোল গাড়ীদা তোংমিন্নবদা পেঞ্জবা ঙম্বা কবিনি মহাক্তুসু। ঐখোয়গী কবি নীলকান্তসু অদুম হায়রম্মী মাগী শৈরেং 'ওইজগে ঐহাক্তি কবি' হায়বদুদা অসুম্না - "অসিমদি শোয়দ্রে নঙ অমসুং ঐ/অদুগা পুন্সি/পুন্সিদি মায়া নত্তে/পুন্সিদি অশেংবনি, অচুম্বনি।" ইমোজিৎসু হায়রি, পুন্সিবু, মতমবু মখোয়গী মায়ইদু হূ ওইরসু পীথক্লো হায়না। অদুগা অমুক্তং মাগী পিক্লবা পুন্সিগী ঙমখৈনুংদা, লাক্লিংবা নোংলৈ লাক্লসু মায়োক্লবা ঙম্ব্রা য়েংগে হায়রি। মাগী ৱাহৈদা - "হে মতম, শীংননীংলে নঙগী খোঙচৎ/হোনগৎনীংলি পুন্সি হিনাউসি/নঙবু মায়োক্লনা/অমুক হোন্থনীংলক্ত্রে।" (শিদয়াই, লা: ১০৫)

কবি নহা অসিনা হায়রিবসি কল্পনা নত্তে, মরম লৈ, মহাক পুন্সি মশক খঙলি, মপোক উরি, অদুনা হায়রি অমুকসু - "ঐহাকসে নিংথৌনি ঐগী পূক্নিংগী/অমুকসু মীনায়নি ঐগী পূক্নিংগী/ঐনবু য়ানীংলবদি চৎখিবা য়াগনি ঐবু ফাওদুনা/ঐনবু য়ানীংদ্রবদি/ঐহাকসে নোংদোন খেৎনা ৱাংবা চীংদোলনি।" (ঙমখৈ, লা: ১১০) কয়াদা চুম্না হায়খ্রবনো পূম্নমক ঐগী ৱাখল, পূক্নিংগী মপুনি, ঐতনা তৌগদবনি, ঐতনা ঐগী লমজিংবা ওইগদবনি হায়রিবনি। কনানা ৱাখলগী পূক্নিংগী ঙমখৈ তাকপা ঙমগদগে।

কবি নহা অসিগী অতোপ্পা মশক অমনা রোমেন্টিক টোন ফজনা য়াওবা ঙম্বা অসিনি। মাদি মহৌশাদা ঙাওজবা কবি অমসুনি। অদুনা চিকথরক্লবা, অহিং অথেঙবদদি কবিগী থমোয় মপাল থোকখি। থাজগা ৱারী শারুরি। মানা থাজদা হায়রুরি - "হৌজিক্তি/অহিংসিগী নাইতোম তারবা খোঙলোয়নি/নঙসু/ঐসু/ইশা পূম্বা লৈচিল ওম্থোক্তুনা/লাক্লোরা ঐবু ননাক্তা/চেজেৎ কোনশিন্দুনা থম্বীরগেরা?" (খোঙলোয়, লা: ১১২) অদুবু কবিগী কল্পনা তাইবঙদা হল্লকপদা, জোন কীটসকুম থমোয় ঈচিক হুল্লকখি। জোন কীটসসু নাইটিঙ্গেলগা পাইমিন্নরুরগা মাগী অনাবগী ফমুংদা হল্লকখি নাইতোম তানা। অদুম্না ইমোজিৎ হল্লকখি অদুগা থাজদা হায় - "থাজ নহাক্লা ঈখৌ লাংবসে কোকহনবা ঙল্লরোই/লেপ্পা লৈতনা শিন্থুরি পিরাং/ইশম শম্নখ্রে মালেম অতিয়া।" (লা: ১১২) ফজদে করম হায়গনি। অদুনা কবিসিনা থিরক্লি পাউখুম্বীনবা মাগী অরোইবা য়াৱা অমতংগী। মানা হায় - "ইশানা শেমগৎচবা চীংশাং নাপোমশিং মরক খায়না/চৎপদি চৎকনি/অদুবু পন্থুংদি কদায়/অরোইবা য়াৱাসে/কনাদা হংগনি (অরোইবা য়াৱা, লা: ১১৬) মতাংসিদা উরকই কবিনা, পন্থুং অমা। পন্থুং অদুদি মীনুংশিনা থোং ওইরগা চঙবা নত্তনদি য়াদে হায়বসু খঙলি। অদুনা কবি নহা অসি মথমোয়দা মীনুংশিনা পাথোল্লকই। অদুনা হায় - "পুজখো পুজখো পীগনি লোইনা/ঐগীনি হায়বা করিবু খাক্লুনি/ঈচেলনবু কংবা নাইব্রা/তুরেলনবু খৌরাংবা কোকপ্রা?" (ইচিনসিনা নুংশি হায়রিবা, লা: ২৩) কবিনা খঙই, মীনুংশিদি পীথোক্লগা হেনগৎপা পোৎশকনি। মসিমসু খঙই, মীনুংশিদি নোংথক্তগী তারক্কদবা নত্তে, থমোয়দগী থম্বালগুম শাৎকায়রক্কদবনি। অদুনা মানা হায় - 'হাঙলবা অতিয়াগী মখাদা/লেপ্পি ঐনা মীনুংশি থিদুনা/চৎখ্রবরা মাবু নোংদোলথক্তা/পাইরিবা লৈচিলগুম।" (মীনুংশি থিবা, লা: ২৪) পরেংশিং অসিনা তাক্লি নোংদোলদা পাইখিদে মীনুংশি।

কবি ইমোজিৎ নহানি। অদুবু ৱাখলদি আ য়ৌখ্রে। সুম খল্লুবদা মহাক নোংমদি পন্থুংদু য়ৌনা চৎকদৌরি। মশক খঙদবা অমা থিরুদৌরি। মহাক অদুবু মানা নুংশিনা 'নঙ' কৌজে। মাগীদি লোইজরে হায়রি 'নঙ' অসিবু ফংজরবদি। অদুবু ফংলোই হায়বসু মহাক খঙই। অদুবু হায়জে, উহন্দ্রবসু মনাক্তগীদি হেন্দে দাকপীনু। অদুনা মানা হায়জে - "হায়নৈ তাইবঙসে ফজে/অদুবু নহাক য়াওদনা ফজগদ্রানে/নঙদা লেঙদনা লৈবীয়ু/ঐতনা ননাক্তা লাকচগে/ঙসিদি খোঞ্জেল ৱাংনা হায়গনি/নহাক য়াওবগী তাইবঙসে ফজবনি/ফজবনি ঐহাকসু।" (নহাকসে ফজে, লা: ৪০) মসিদি মহা মিলন হায়বদুনি। 'ঐ' হায়বদু মাঙখিদুনা তাইবঙ মপুগা অমতা ওইখিবগী মশকনি। শকউদবা মশক অদু মিৎতা উরকপনি। অদুনা হায়- "পুন্সি অপেনবা হায়বদো/ফংখি/নঙগী মায়থোঙ য়েংলগা।" (অসুম্না চৎখিনি, লা: ৩৪) কবি নহা অসিগী কনসেপ্ট য়াম্না শেংলে, তাইবঙ মশক খঙলে, পুন্সি মশক খঙলে। ৱাৎলিবা হায়ববু মাগী নুংশি য়াৱা ফোঙদোকপা শোঞ্জবা অসি মঙায়রে। মানসু হায়জে, মাগী ৱাহৈ পংখৈ লৈজে। অদুনা মানা কৌজে - "ৱাহৈ -/থমোয়গী পাউ পুবা ৱাহৈ/নঙগী মায়কৈতনি ঐনা য়েংলিবা/নঙ লাক্লো/নঙ লাক্লো।" (মাঙখিবা থিবা, লা: ৮১) ৱাখলগা পূক্নিংগা পুংবা চারক্তুবদা কপচবা খোল্লেনি।

ফজবা অমতংগা হায়বা তারবদি ইমোজিৎনা মতমবু থুগাইদুনা য়েংলম্বা অসিনি। মতমবু হৌবা লোইবা নাইব্রা, হিংবা হায়বসি লমথাফম লৈব্রা, লমথুংফম্না কয়াম তাল্লিবা। থিরি, হংলি। অমম্বদা মাঙখি। অদুনা মানা খঙলকই, খ্বাইদগী লুবসি 'হৌজিক' হায়বসিনি খঙলকখি। মসিদি অমেরিকাগী কবি ৱাল্ট হিুটমেন্নসু হায়রল্লবনি। অদুবু ইমোজিৎনা চেৎশিন্না হায়বা হেল্লি। মানা হায়রি - "হৌজিক হায়বসি ঐনি/হৌজিক হায়বসি নঙনি/হৌজিক হায়বসি মাসুনি। মসিদগী হেনবা/করি অমুক খঙনীংলিবগে?" (হৌজিক, লা: ১৩০) হৌজিক অসিগী মমল হেনবা লৈত্রে হায়বসিদি চুল্লবা ৱানি। কবিনা হায়রি, অহিংবশিংগী খ্বাইদগী য়েক্লবসু হৌজিক্লি। মসিবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা লাননি। হৌখ্রবা অমদি লাক্কদৌবা মতমনা থেংনরিবা। মসিদি লাল্লি হায়গদবা মী লৈনি থাজদ্রে।

অদুনা লান অসিগীদমক শেম শাবা তাই হায়বসু কবি নহা অসি খঙই। মদুদা মহাক্কী থমোয় চঙঙি। থমোয়না মাগী মীচংদা লৈত্রবদা মায় পাক্লোই হায়বসু খঙই। পূম্নমক অরেম্বনি, মাগী থমোয়না মাগী অমতা ঙায়রবা মরুপনি। অদুনা মাগী থমোয়বু মিকোল থাগোল মওংদা থেমজে, মাদদি লোইবী চীংগুম লেঙদনা লৈবীয়ু। ৱাহৈ অহুম অসিনা মাগী লাইরিক অসিগী মমিংসু পুরি। ৱাহন্থোক য়াম্না লৈরি। মানা হায় - "ঐতগীনি খঞ্জরিবা/মচু অমতসু শঙদ্রিবা থমোয়/নঙতদি লৈহন্নীংঙি/লোইবী চীংগুম লেঙদনা।" (লা: ১২৯) ফিরেপ চেৎনা লেপ্লিবা খোঙফমনি। ফজে হায়নীংঙি।

লোইশিল্লকপা খোঙফমদি কবি নহা অসিগী পূম্নমক থাদোকপগী মশক অমা উরি। মহৌশাদা ৱাহং হংজরি, মহৌশাগা লোয়ননা চৎপগী মওংনি। মানা হংলি - "মহৌশা!/ননাক্তা লাক্লবা ৱাকয়ে হিগী/কনানা নৌরেল পায়রিবা/পাউখুমদুমতংদি তাজনীংই/হে পূকচেল তপ্পী মহৌশা!" (লা: ১২৮) পাউখুমদুনি মানা থিরিবা। ফংলক্তুগনা মথমোয় ফাজিনজৈ ঙাইবা তাই হায়না। ঙাইবগী ঙাইবা ঙাক্তনি হায়বসু খঙই পুন্সিসি। অদুনা মচিন থোক্লকই - "ঐনা পোত্থানীংলি/ঙাইবগী সিয়োম্নুংদা/অসুম ঙাইবা/অসুম ঙাইবা/ঙাইবা হায়বসি পুন্সিদুনি।" (ঙাইবগী সিয়োম্নুংদা, লা: ৯৮) কবিসু ঙাইরি মতমদু। ঐখোয় পূম্নমকসু ঙাইরিবনি। অদুবু কবি অসিনা ৱা অমসু হায়রি, "ইতোৎ তোৎশিন্নরে/অহৌবগা অরোইবগা/অঙানবগা অমম্বগা/ঐগীনি হায়বা অমতসু/শেত্তোক খাইদোক্লবা য়াদ্রে।" (কদোমদনো মাবু, লা: ৭৬) কবিনা খঙই - ঐখোয়গী পুন্সি অসি অখঙবগা খঙদবগা তোৎশিন্নরগা লেল্লিবনি হায়বা। ফজে।

লোইশিল্লকপদা হায়গদবা কয়া অমা লৈরি অদুবু য়ারোইদৌরমাল্লে। ঐখোয়গী ইমোজিৎ মশক অমা লেপ্পা য়ারক্কদৌরে। খোঙকাপ অমা থাঙজিনখ্রে। মশাগী হৌরকফম কাউজদবা কবি অমসু ওইরি। মানা সহরদা মীনিল মরক্তা লৈরবসু মাগী ৬শুবা সেন্স অমনা খুঙ্গংগী পাউ তারি, মচা কায়নরবী ষণবীগী মখোল তারি - মমিত্তা কবুলিয়া মপালগী সনা মচু উরি, তেরা পাম্বী মসাদা লমখুনু তোংবা উরি, খোইখা শেৎলিবী চনুরাশিংগী শংব্রে মনম্না চূরবা শল্লাংনা তিংথৌ মতোনগী লিক্লাগা লীরুং তোন্দাং কাপ্পবা উরি, মশা লূল্লবা ফৌ চরোং য়েংলি। অদুগী মথক্তা লাপ্প-লাপ্পা অপোকপী মমাবু কৌদুনা তেংথানীংলক্লি, চৌবী চফু থোংবা কাউদ্রি, অদুনা মানা কৌজে - অনীশুবা মহৌশা, মমাগী তম্পাকপু। য়াম্না নুংহৈক্লে, পারুবদা মিত্তা উহনবা ঙম্মী। ফজে হায়নীংঙি। ইমোজিৎপু য়েংখিবা তারি।■

# রাগ দরবারী-৩৩

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

(হান্নগী মখা...)

লোয়ননা চাউর-চাউরবা অঙৌবা ময়েকশিংনা মশেক মঙাল থোক্লা 'পাইলস' হায়না থাবা উই! ময়েকশিং অদুগী খুৎই মফম অদুগী ফক্লাংদা য়েক্লিবা অদুনা তোঙানবা ময়েক অমা ওইনা উহল্লি। ময়েকশিং অদুনা পাইলসবু অনৌবা মওং অমা পিবগুম তৌই। মরম অদুনা মফম অদুগী নাক য়েৎতা লৈরিবা পোৎশক খুদিংমক পাইলসনা লোইনা ঙম্বগুম তৌরি। অমুবা বেকগ্রাউন্দগী পাউচে অদুগী লৈমায়দা মশেক মঙাল থোক্লা উরিবা 'পাইলস' লাপ্পা য়েংবদা মীবু মহাক্লা কোনশিনবগুম উরি। ৱাফম অসিদা সনিচরনা অচৌ-অচৌবা ময়েক অদু পাবদা মহাক্কী থাম্মোয়নুংদা অৱাবা খরদি ফাওই। পাউচে অদুনা চিংশিনখিদুনা মীৎফম হোংদনা য়েংদুনা লৈখি। ফনা কুইনা য়েংলবা মতুং মহাক্লা রঙ্গনাথতা হায়রকই, 'পোৎশক অদুমকনি।'

ৱাফম অদুদা চাউথোকচবগী মমি অমা তাই। হায়বদি শিবপালগঞ্জগী ফক্লাংশিংদা মশেক মঙাল থোক্লা উরিবা এদভরটাইজশিং ইচম চম্বা পোৎশক অমদি নত্তে। মসি মপানগী পাউচেশিংদা ফোঙই, মতৌ অদুম্না শিবপালগঞ্জদা উরিবা অসিগুম্না মপানগী পাউচেশিংদসু উবা ফংই।

রঙ্গনাথ হান্নগী ফমফম অদুদা ফমদুনা লৈরম্মী। মহাক্কী মমাংদা পাউচে অদুগী লৈমায় কোন্তক তানা তাদুনা লৈরম্মী। অমেরিকানা অনৌবা সেটিলাইট অমা থাগৎখি, পাকিস্তান-ভারতকী বোর্দরদা নোংমৈ কাপ্পরম্মী, গেহুগী অৱাৎপা লৈবা মরমনা ষ্টেটশিংদা গেহুগী ফংফম থোকপা কোটাশিং ককথনবা থৌরাং তৌরম্মী। ঙাক শেল্লিবা কম্মিটিশিংনা সাউথ অফ্রিকাগী ৱাফম খরদা খন-নৈনরম্মী, অসিগুম্লবা অরুবা ৱাফমশিংবু অচৌবা উমাইবী অমনা মহাক্কী খোংশাশিংনা চেৎনা নমশিন্দুনা পায়রদুনা অমুবা-অঙৌবা এদভরটাইজগী অকোনবা ময়েকশিং অদুনা লাউরম্মী : পাইলস ! পাইলস ! এদভরটাইজ অদু পাউচেদা হেক ফোঙখিবগা পাইলস শিবপালগঞ্জ অমসুং ইন্টরনেসনল ফম্বাক মরক্কী পাউ ফাউননবা মায়পাক্লবা লম্বী অমা ওইখ্রে।

দাকুশিং অদুনা য়াথং পীরকখিবনি মদুদি অখন্নবা নুমীৎ অমগী অখন্নবা মফম অমদা চৎতুনা রামাধিনগী মায়কৈদগী পৈশানা থল্লবা বেগ অমা অচিকপা মফম অমদা থল্লম্মু। হুরানবগী অসিগুম্বা চৎনবী অসি লৈবাক অসিগী মফম খরদা য়াম্না পাম্নবা ওইরি। অদুবু তশেংনমক্তি ৱাফম অসি ময়াইচনবা মতমদা ওইরল্লবদি চান্দি নত্রগা পিথ্রাইগী শেনয়েক্তা সনাগী মহীনা লুপা পৈশানা থল্লবা বেগ পীবা মথৌ তাই। অদুবু হৌজিক কানদি চেগী নোটশিংদা ওইনা পীবা য়াই। লুপা লিশিং ৫ ফাওবা নুংশি চিঠিগী মতৌগুম ফজবা এনভলপ অমদা হাপ্তুনা পীবসু য়াই। তঙাইফদবা লৈরবদি চেক ওইনা শেনফম অদু পীবা য়াই। হায়রিবা মরমশিং অদুনা নহান নুমিদাং অৱাংবা চিংদোল অমদা লুপা লিশিং ৫ য়াওরবা বেগ অমা তুমিন্না থমদুনা লাকউ হায়বগী য়াথং অদু প্রাক্টিকল ওইনা পাঙথোকপদা অৱাবা কয়া থেংনবা য়াই। অৱাংবা চিংদোলদা পৈশা হাপ্তুনা থল্লমবা এনভলপ নুংশিৎনা হুমদুনা পায়থোকখিবা য়াই, চেক জালি ওইরম্বসু য়াই। তেনতক্লা হায়রবদা, অমুবা মচুগুম্না, সাহিত্য, এদমিনেষ্ট্রেসন, এদুকেসননচিংবা লম্শিংদসু হুরানবগী লম্দা থোকখিবা ময়াইচনবা জুগকী মতমদা চৎনখিবা চৎনবিশিং অদু অনৌবা জুগতা থবক ওইনা তৌনবা হোৎনবদা অৱাবা পোৎশক কয়া থোক্লকপা য়াই। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে, হুরানবশিং অদুনা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা মখোয়না ৱাখল খন্থখিবা লৈতে। মরমদি রমাধিনগী য়ূমদা লাকখিবা চিঠি অদু অশেংবা হুরানবশিং অদুনা থাজিল্লকখিবা নত্তে। মতম অদুদা খুঙ্গংগী মীফমশিংদা অমসুং কোলেজগী রাজনীতিগী মতাংদা রমাধিন ভীখমখেড়বী অমদি ৱেদ্যজী অনীগী মরক্তা করিগুম্বা নুংঙাইনদবা খরা লৈখ্রে। করিগুম্বা সিটি ওইরল্লবদি অমসুং অৱাংবা পোলিটিক্স ওইরল্লবদি অসিগুম্বা তানফমদা রমাধিনগী মথক্তা কনাগুম্বী নুপী অমগী মায়কৈদগী পুলিসতা রিপোর্ট অমা থাঙ্গৎলমগদবনি মদুদি মহাক্লা নুপী অদুগী ইকায়খুম্নবা মাংহন্নবা হোৎনখি হায়না। অদুবু নুপী অদুগী অকনবা ৱাফম অদুনা মরম ওইদুনা মহাক্লা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙমখিদে। নুপী অদুনা মহাক্কী ইকায়খুম্নবা মাংহন্নবা হোৎনৈ হায়বগী ৱাফম পুম্নমক পুরদুনা পুলিস ষ্টেসন তম্না হেক্তা লাকখি। অদুবু মফম অসি খুঙ্গ ওইবনা মফম অসিদা নুপীশিংগী ইকায়খুম্নবা মাংহন্নবা হোৎনবগী ৱাফমবু পোলিটিক্সকী লানদা হেন্দগ্রেনেটকী মতৌগুম শীজিন্নবগী চৎনবী লৈত্রি। মরম অদুনা মফম অদুদা চৎনরিবা অরিবা থৌওং খরদি শীজিন্নখি। বাবু রমাধিনগী মথক্তা দাকুশিংনা মরম ওইদুনা অৱাবা তাহন্দুনা মহাকপু নুমীৎ খরা ঙাওচৎননা লৈনবগীদমক থাদোকখি।

পুলিস, রমাধিন ভীখমখেরৱী অমসুং ৱেদ্যজিগী কাংবু অদুনা পুম্নমক খঙই মদুদি দাকু চিঠি অদু শাশিন্নবনি। অসিগুম্বা চিঠি মতম অমত্তদা মীওই কয়াগী মনাক্তা লাকখ্রে। মরম অদুনা রমাধিনদা উপাই লৈতবা করিসু লৈতে মদুদি অখন্নবা মতমদা পৈশা পুদুনা অৱাংবা চিংদোলদা পুদুনা চৎপগী। চিঠি অদু শাশিন্নবা ওইরমদ্রবা মতম অদুদসু রমাধিননা তুমিন্না পৈশা পীনবগী হোৎননবগীদমক য়ূমদা হুরানহন্নবা থবক তৌবনা মহাক্লা হেন্না অফবা ওইনা খল্লি। অদুবু রিপোর্ট পুলিসতা তৌখ্রে, মরম অদুনা পুলিসনা মখোয়গী মায়কৈদগী করিগুম্বা খরা তৌদবা য়াদ্রে।

নুমীৎ অদু অৱাংবা চিংদোলদগী খুঙ্গং ফাওবগী ফম্বাকশিং পুলিসকীদমক কৎথোক্লম্মি। মদুদা মখোয়না 'দাকু-দাকু' হায়বা মশাননা শান্নদুনা লৈরম্মী। অৱাংবা চিংদোল অদুদদি পুলিসকী মফম অমা হাংবা ফাও য়াওখ্রে। মহাক্লা মনাক নক্লা লৈবা মোংশোং, লৈহাও য়াওদ্রবা লৈবাক, জঙ্গল, এঞ্জাং-নাপীনা থল্লবা মফম কয়া থীদোকখি অদুবু দাকুশিংগী মরমদা করিমত্তা ফংখিদে। চিংদোল অদুগী মনাক নক্লা লৈরিবা উ পাম্বিশিংগী মশাশিং নিক্তুনা, লমহুইশিংগী মকোনদা সঙ্গিননা থিংজিন্দুনা অমসুং অপাকপা অহাংবা মফমশিংবু মহাক্কী মমিৎনা হিপ্নোটাইজ তৌদুনা চিংনবা অমত্তা লৈতনা খনখি মদুদি মফম অদুদা লৈরিবা অদু দাকুশিং নত্তে।

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।